# ঐখোয়গী ঈনাৎ লীচৎ কাউথোকপা চুল্লোই

— ডা. সোরাম মনিকান্ত —
সিনিয়র কন্সলটেন্ট সাইকিয়াট্রিষ্ট
dr.smanikanta@gmail.com



মালেমদা থোক্লিবা ক্রাইম অয়াম্বা নহাশিং ইনভোল্ভ তৌই। মসি লমদমসিদসু অদুমঙাই। ড্রগ, য়ু নৎত্রগা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবদগী খৎন-চৈনবা, অশোক-অপন, অশি-অনা থোকপা ঐখোয়না তোয়না থেংনবা থৌওং ঙাক্তনি। মশা মথন্তা শিজবগী চাং অসিসু চহী ১৫-২৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহাশিংদনা হেল্লি। য়ু থকচিল্লগা মচিন-মনাও খৎনবা, মৱানা মতূদা ওৎ-নৈবা, অসিদসু নত্তনা হাত্তোল্লগা থৌরী য়ানশিনবা, ঈশিংদা লংথবা, লৈনুংদা ফুমজিন্দুনা মী খঙদনবা হোৎনবা থৌদোক কয়ানি। তূমদুনা লৈজবা নুপীবু থাঙনা থিনবা, নুপামচা অমা মহাক্কী হান্না নুংশিনরম্বা নুপীদুনা থাঙনা থিনবদগী লৈখিদ্রে। পূম্নমক অসিনা নুংতিগী ফোঙবা পাউচেশিংগী হেদলাইন ওইরি। সোশল মীদিয়াদা ইনখৎলক্লিবা নুপীমচাশিংনা য়ু/ড্রগ শীজিন্নবা অমসুং ফি তঙ্খায় শেৎলগা জগোয় শাবা নৎত্রগা হকচাংগী শরুক খরা এক্সপোজ তৌদুনা শেৎপা ফিজোল অসিনা হেন্না ফজবগুম, চাওখৎলবা মীওইগুম খনবগী চৎনবী অমসু ঐখোয়না উবা ফংলি। ইশাগী চৎনবী, লীচৎ, লাইনীং-লাইশোন, হৌন-লোনচৎ, চাকচা-য়ুথক, থৌগল্লোন, ৱাঙাঙ-শঙাঙ পূম্নমক অসি কাউথোক্তুনা মীগী মতৌ তম্বনা হেন্না পামজবগুম তৌরি। মণিপুরগী মপান্দা তল্লিবা নহা মহৈরোয় কয়া মহৈ-মশিন তল্লিবনি কাউথোক্তুনা মমা-মপাদগী শেল য়াম্না দিমান্দ তৌরগা ঙাইহাক্কী অপাম্বদা তাওদুনা লৈবা ঐখোয়না উরি। মতমগী ভেল্যু, শেলগী মরু ওইবা, পূন্সি অসি করিনো খঙদবা, ঐনা তৌরিবসি চুল্লিবরা খন্থদবা, মমা-মপা, ইমুং-মনুং, শাগৈ চেন্থগদবা থৌওং কয়া চথুরি। ওইদবা ঙাঙবদা হালেংবা লৈতে। তাইবঙ মপু (লাই) কিদে। মসি মখোয়বু অঙাং ওইরিঙৈদা তাকপী-তম্বীবা ৱাৎপদগীরা নৎত্রগা মমা-মপানা লাইনীং-লাইশোন, লীচৎ থৌওইদবদগীরা? নুপীমচা কয়াসু মাগী মাগী হৌরকফম, শাগৈ, ফূরুপ কাউথোক্তুনা ময়াংমচা কয়াগা নুংশি ঈপাক্তা তাওথমিন্নদুনা পূন্সি লেনবা য়াওরি। হৌজিক্কী মতমদা মীতৈ খুন্নাইদা য়াম্না তোয়না থেংনবা হোংলক্লিবা থৌওং অমা পনবা তারবদি মীতৈ নুপীমচাশিংনা অতোপ্পা ফূরুপকী মীগা (ময়াংমচা) নুংশিনদুনা লুহোংবগী থৌরম তোয়না চথুরি। ঙসি লুহোংগনি। নুমিৎ নীনি লৈরগা মপাম চাক্লৌগনি। মঙানি শুবা নুমিৎতা মণিপুর থাদোক্তুনা চৎখিগনি। নুপা ময়ূমগী মীওইশিং লাক্কনি। হোটেল বূক তৌগনি। অসুম্না তৌবা থৌরম অসিদা নুপীগী মমা-মপাশিংনসু য়াম্না লেম্না লৌনবগুম তৌই। য়াম্না পামজনা থোকই। মরুপ মপাং, শাগৈ নাতৈশিংদা মচাগী ৱারী তৌগনি। মুম্বাই, অহমেদবাদ, বেঙ্গলুরু, লন্দন, য়ু এস এদা পূন্না চৎখ্রগনি। ফোরেন কন্ত্রি নৎত্রগা ইন্দিয়াগী অচৌবা সিটিদা লৈরুগনি হায়বদা চাউথোকচবা ফাওই।

হৌখিবা চহী খরা অসিদা পোলিটিক্সকী অহোংবা, চরাংনবা কয়া লৈখ্রে। মীচম মীয়ামগী মীহুৎ পূম্নমক ঙসিদি হংলাইগুম চপ লেপ্পুনা লৈখ্রে। থমাইশিনখ্রবা মীশক অমগুম বুধি লৌশিং থোক্রে। মশাগী ওইজথিবনা মথৌ ওইরে। লন-থুম লেপশিনবা, শেল পায়নবা হোৎনবদা মরৈবাক মজাতি কাউথোকখ্রে। মীচম মীয়ামগী ৱাখল খনবা শংদ্রে। মপা-মপু হৌরকফম খঙদবগী থৌওং কয়া অসিনা ঐখোয়গী ফূরুপ মাঙশিল্লকপদা নত্তনা হিমাই চুম্বীনবা লৈত্রবা হিগুম নহা কয়া ককঙাওনরে। তুংগী পূন্সি মমি শাল্লবা, হিংবগী ৱাহন্থোক লৈত্রবা অমগুম মাগী-মাগী নুংঙাইগদবা য়েংদুনা পূন্সি লেল্লি। তৌনীংবতা তৌরি। ৱাথোক্লা থল্লবা ঈরাং লোয়নদুনা লৈরবা খুন্নাই অমা হায়বদু ওইরে। ঐখোয় মীতৈ ফূরুপকী তুংগী লম্বী থিবদা ৱানা থোক্কদৌরি। পূম্নমক অসি করিদগী ওইরক্লিবনো? ঐখোয় ইশানা ইশাবু শক খঙজবা ঙম্লব্রা? ঙসি ওইরক্লিবা, হোংলক্লিবা, লৈখা তারক্লিবা মওং অসি ইশাগী লীচৎ থৌওইদবদগী মীগী মতৌ তম্লুবগী মহয়রা? ইপা-ইপুনা থম্লম্বা ইনাৎ লীচৎ নীংশিংবা চুমগনি।

লমদম অসিদা থোক্লিবা পোপ্যুলেশন শিফ্ট অমসুং ওইরক্লিবা দেমোগ্রাফিক চেঞ্জ নৈনদুনা য়েংসি। হৌখিবা চহী দিকেদ অনী অসিদা লমদম অসিদা হোংলক্লিবা পোপ্যুলেশন গ্রোথ অসি চাংদম্নদুনা খঙমিন্নসি। ১৯৯১গী সেন্সসতা হিন্দু লাইনীং চৎপা মীগী মশীং চাদা ৫৮ ওইরমখিবা অদু ২০১১ সেন্সসতা চাদা ৪১ খক ওইখি। মীশিং য়াম্না হন্থরকখি। অদুগা ২০০১দা চাদা ৩৪ ওইরম্বা খৃষ্টিয়ান মীশিংনা ২০১১ সেন্সসতা চাদা ৪১.২৯ য়ৌখি। চুড়াচান্দপুরগী ওইনা ২০০১দা লৈবা মীশীং অদু ২০১১দা চাদা ৮৩গী চাংদা অদুগা চান্দেলদনা (তেংনৌপল য়াওনা) চাদা ৮২ য়ৌনা হেনগৎলকখি। অসিদসু নত্তনা হায়রিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা রিজার্ভ ফোরেষ্ট লম কয়া মাঙখি অমসুং অনৌবা খুঙ্গং মশীং কয়া হেনগৎলকখি। হিন্দু লাইনীং চৎপা মীশিং ২০১১দা চাদা ৪১দা হন্থরকপগী মরম কয়ামরুম লৈগনি। চুড়াচান্দপুর অমসুং চান্দেলদা হেনগৎলক্লিবা মীশিং অসিদি ম্যান্মারদগী চঙলকপা ইল্লিগেল ইন্মিগ্রেন্টশিংনা অয়াম্বনি হায়বসিদি ঙসি থোক্লিবা লান অসিনা তাকচরবনি। মুস্লিম মীশিংসু হন্থবা লৈতে। অদুবু য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈ ফূরুপ অসিনা ঙসি করিগী অসুক য়াম্না অৱা চৈথেং নংলিবনো? মসি মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লুবা অমসুং মখোয়গী লাইনীং লাইশোন ৱাইরুবগীরা, মতৌ তম্লুবগীরা? মসিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিংনা ঐখোয়বু করিসু লৈতনা খল্লবরা?

তম্পাক লমদা খুন্দারিবা য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈ ফূরুপ অয়াম্বনা গৌড় ধর্ম্ম চৎলবসু মাগী মাগী য়ূমদা লাইনিংথৌ সনামহীগী খুভম থমদুনা ঈরাৎ থৌনি তৌনরি। অয়ূক্কী নুমিদাংগী খুরুমজরি। য়ূমগী দারিবান হেক লাম্থোকখিবদনা মানা মানা পামজবা, নীংজবা লাই কয়ামরুমসু নীংগনি, খুরুমজগনি। মতাং অসিদা নীংশিংবা য়াবা ৱাফম অমদি শিদবা মপুনা তাইবঙ শেল্লবা মতুংদা তাইবঙপান অসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক লীচৎ অমখক্তমক চৎলম্মী। সিভিলাইজেশনগী ৱারী পরিংদা নুমিৎ, থা অসিবু মীৎনা উবা লাইনি হায়দুনা খুরুম্নরম্মী। অসিদসু নত্তনা অচৌ-অচৌবা পোৎশক খুদম ওইনা চীং অচৌবা, নুঙ অচৌবা, লিন অচৌবা কয়া অসিবু লাইনি হায়না থাজরম্মী। অদুবু মতমগী খোঙচৎ অমসুং চাওখৎলকপগী মতুংইন্না লৌশিং চাউবা মীগী মশীং হেনগৎলকপনা ফূরুপ কয়ামরুম পোকখি। হিন্দু, মুস্লিম, জ্যেন, খৃষ্টিয়ান অসিনচিংবা। হিন্দু ধর্ম্মগী মনুংদা বৈষ্ণব ধর্ম্মদি গৌড়না পুথোকখি হায়দুনা গৌড়িয়া হায়না খঙনখি, অসুম্না হায়। মসি পামহৈবা নিংথৌ হাক্তক্তগী মণিপুরদা চৎনবা হৌখি। মসিগী মমাঙদা রামান্দি অমসুং বৌধ ধর্ম্মসু চৎলম্মী হায়। অদুবু ধর্ম্ম পূম্মকসি চৎত্রিঙৈগী মমাঙদদি মীতৈ ইপা ইপুশিং মীতৈ ধর্ম্মদা অদুমক লৈরম্মী হয়নৈ। শ্রীকৃষ্ণনা হায়, ঐগী ধর্ম্মদা শিজবদি লাইরৈবাক য়ৌই।

অদুবু হংবা য়াবা ৱাহংদি মীতৈ ঐখোয় করম্বা ধর্ম্মবু চৎলিবগে? ধর্ম্ম হায়বসি ঐখোয়গী লাইনীং লম্বী অদুবু খঙনবা য়াই। লাইনীং লম্বী হায়বসি পূক্নিং ৱারক্তুনা অফবা লম্বীদা চৎপা ঙমহনবা থৌরম অমনি। মসিনা নুংঙাই য়াইফনা পানবা ঙমহল্লি। লাই নীংবদা তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবা খরদি - পূক্নিং ৱারক্তবা য়াদে, পথাপ নাইনা চৎপা চংই, য়াহিপ চাকচা ফজবা তাই, অতাওবা ঙাইহাক্কী অনীংবা অপাম্বা মীহৌবা করাম্বা পূম্নমক ফাথবা, তপথহন্দবা য়াদে, তাইবঙগী অপাম্বা-নুংশিবগী পূক্নিং লাকশিনবা ঙমগদবনি, চৎন-কাঙলোন অমা ইন্দবা য়াদে, লাই নীংলিবদুগী লিক্লম অমা লৈতবা য়াদে। পূম্নমকসি অমত্তা ওইনা পুল্লগা লীচিং অমগী মখাদা চৎলবতদা পূম্নমক অফবা ওইগদৌরিবনি।

ঙসিদি লমদম অসিদা লৈরিবা য়েলহৌমী মীতৈ ফূরুপ ঐখোয়সি চৎকদবা লীচৎ লৈতবগুম তৌরে। ঐখোয়না চৎলিবা লাইনীং-লাইশোন, হৌন-লোনচৎ, থৌগল্লোন, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, চাকচা-য়ুথক, য়াহিপ পূম্নমক অসি ঐখোয়গী শীংলি-নাওরি শিনবা থুংনা চেনখিদুনা মীওই অদুগী মতিক মগুণ (জিনেটিক ক্বালিটিজ) অদু মহাক্কী মচা-মশুশিংদা লৈগদৌরিবনি। মরম অসিনা ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিং অসি ফহনগে হায়রবদি ঐখোয়না লাইনীং-লাইশোন হৌরকফম খঙনা লিক্লম কাইদনা চৎলবদি অফবা ওইগদৌরিবনি। পূক্নিং ৱারকপা ঙমদবা মমা-মপানা পূক্নিং শেপ্পা, পৈবা মচা ফংগদৌরিবনি। অসুম্না হায়নৈ নহাল মপোক হায়বসি মমা মপানি। হয়েংমুক্কী মপোক হায়বসিনা মচা-মশুশিংনি। হন্দক্কী মপোক হায়বদি ঐখোয়গী মতমসিদা লমচৎ-শাজৎ, লাইনীং-লাইশোন, লিক্লম থৌরম চুম্লগা হন্দক মপোক নুংঙাইগনি। হয়েং মপোকসু ফগনি। নুংঙাই য়াইফবা পূন্সি অমদি অফবা খুন্নাই অমগীদমক লাইনীং পথাপ থম্নরিবনি। ঐখোয়না হৌজিক মতমদা চৎলিবা লাইনীং-লাইশোন অসিদি মতৌ তম্বা ওইনা থোকপনা ইশানা ইশাবু শক খঙবা ৱাৎলি। মরম অসিনা মীতৈ চনু কয়া লিক্লম কায়না চৎতুনা মশানা মশাবু ৱারকপা ঙমদে। ময়াং মচাশিংগা শঙ্গ ওইদুনা লৌনা লৈনবগী মশীং হেনগৎলক্লি। মসি অফবা নত্তে।

হৌজিক্কী মতমদা মাগী মাগী ধর্ম্মগী ওইবা লাইনীং লাইশোনগী থৌরম শন্দোক্লবা হোৎনবদা অখন্নবা থৌরাং কয়া চথুরি। খৃষ্টেনিটিগী ওইনা থিওলোজি নৎত্রগা বাইবল ষ্টদি তৌবগী খুদোংচাবা পীরি। ইস্লামিক ষ্টদিজগী মতাংদসু অদুমঙাই। মৌলবী তম্বা, কোরান নৈনবা, ইস্লামগী চৎন-পথাপ কয়া তম্বীরি। হিন্দু লাইনীংগী ওইনসু লাইমিং লৌরবা শাধু বাবা কয়া লৈরি। মখোয়গী ফোল্লোৱর কয়াগা লোয়ননা লাইনীং-লাইশোন চথুরি। অদুবু পূম্নমক অসিগা চাংদম্নবা মতমদা মীতৈগী ওইনা তোঙানবা লাইনিং লাইশোনগী মরমদা খন্ন নৈনবা, তাকপী তম্বীবা মফম অমা লৈত্রি হায়বা য়াই। মীতৈ লাইনীংদা থৱায় য়াওজবা খরনা থিজিন খোমজিনবা তৌবা অমসুং লাইনীং লাইশোন চৎলবসু মশীং য়াম্বা হায়বদুদি ওইদ্রি। মীতৈ লাইনীং লাইশোন, হৌন-লোনচৎ, লাইনীং পথাপ অমসুং ঐগী হৌরকফম খঙগে হায়দুনা মফম অমা থিরক্লবদি নোংপোক চীংঙু থোঙ, সেল্লোই লংমাইচীংদা লৈরিবা পন্থৌ মশাইকোল অসিসু অমনি। মসি মতমগী মতুংইন্না মীতৈ লাইনীং লাইশোনগী ওইবা অখন্নবা তাকপী তম্বীবগী খুদোংচাবা লৈবা ইন্সটিট্যুট অমগী থাক্তা ওনখৎলবদি পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। ●

# লাই নীংবগী কান্নবা লৈরিবরা?

মতম মতমগী

গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা

মমাঙঙৈগা চাংদম্নবদা লমদম অসিদা লাই নীংবগী চাং অসি ঙসিনা হেল্লবরা হায়বা ৱাহং অমা ইশা ইতোমতা হংনীংলকই। মরী লৈনবা দাটা কুপ্পা খোল্লগা সর্ভে তৌদুনা চপ চাবা রিপোর্ট অমা পুথোক্লুবমক নৎত্রবসু বজারদা, লৈকায়-লৈকায়দা, লম্বী-সড়কতা অমদি য়ূম-য়ূমদা উরিবা শক্তমশিং অসি য়েংলুরগদি লাই নীংবগী চাংসি ঙসিনা হেল্লে হায়দবা ঙম্লোই। মমাঙঙৈদা লমদম অসিদা বজারদা লৈ য়োনবগী চৎনবী লৈরমদে। দেব-কর্ম্ম, ঈরাৎ-থৌনি অমদি পুজানচিংবা তৌবদা চঙগদবা লৈশিং লৈনরমদে। লৈ লৈরগা লাইদা কৎপা মহয় লৈতে হায়না লৌনদুনা লৈশাবী মচাশিংনা য়েন্দাই পায়দুনা লৈকায়দা লৈ থিবা চৎনরম্মী। অদুবু ঙসিদি লৈ থিবগী চৎনবী লৈত্রে, থৌরম অমদা চঙগদবা লৈশিং বজারদগী লৈনরে। মতম খরগী মমাঙদা খ্বাইরম্বন্দ বজারগী নম্বুল তুরেল তোর্ব্বান্দা লৈ য়োনবী অনী/অহুমদং ফম্বা উরম্বদু ঙসিদি লৈ য়োনবীগী মশীং হেনগৎলক্লে। মসিগী মথক্তা বজারগী ফুট-পাঠতা, মনা-মশিং য়োনফমদা অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাং খায়দনা লৈ য়োন্নরে। মসিনা তাকপদি লমদম অসিদা লৈগী দিমান্দ অসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লে হায়বনি। লমদম অসিদদি লৈ অসি অয়াম্বনা লাইনীং-লাইশোন, দেব-কর্ম্ম অমদি ঈরাৎ-পুজাদা শীজিন্নবনি। মপান লমদদি ঙল্লিনৈঙৈ মতমদগী হৌনা লৈ য়োনবগী চৎনবী লৈরকই। টামিল নাদুগী অচৌ-অচৌবা সহরশিংদা ফ্লৱর মার্কেট তোঙান্না লৈ। মার্কেটশিং অসিদা অয়ূক অঙনবদগী হৌনা লৈ গাড়ী লোদ-লোদ পুরক্তুনা য়োল্লি। য়োল্লিবা লৈশিং অদু নুপীশিংনা শীজিন্ননবনি। মফম অদুগী নুপী খুদিংমক্না শমদা লৈ পরেং অমমম নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক্তা য়ানবা হায়বসিমদি শোয়দ্রে, মখোয়গী চৎনবীনি। ঐখোয়গী ইরমদম অসিদদি নুপীশিং মরু ওইনা লৈশাবী অমসুং মৌনহাশিং লম্বী-সড়কতা থৈনবদা, বজারদা, পব্লিক প্লেসতা থেংনবদা পর্ফিয়ুম নৎত্রগা দিওদোরেন্ট মনম নম্বনা অয়াম্বনি। করি করিগুম্বা মতমদা লোইনমক নৎত্রবসু নুপী খরদি জর্দা নৎত্রগা তলব মনম নম্বসু য়াওদবা নত্তে, অদুবু টামিল নাদুগী মফমশিংদদি বসতা, লম্বী-সড়কতা, বজারদা নৎত্রগা পব্লিক প্লেসতা লমদম অদুগী নুপীশিং থেংনবদা নৎত্রগা থৈনবদা মখোয়গী শমদা য়ানবা লৈগী মনম নম্মী। মফম অদুদা য়োল্লিবা লৈশিং অদু অয়াম্বনা নুপীশিংগী শমদা য়ান্নবনি। অদুগা ঐখোয়গী বজারদা য়োল্লিবা লৈশিং অসিদি অয়াম্বনা দেব-কর্ম্ম, লাইনীং-লাইশোনগা মরী লৈনবা থৌরমশিং অমসুং নুংতি নুমিৎ খুদিংগী য়ূম-য়ূমদা লাই খুরুম্বদা শীজিন্ননবনি। অদুননি ঙসি লমদম অসিদা লাই নীংবগী চাং হেনগৎলক্লুবরা হায়বা ৱাহং অমা হংনীংলক্লিবসি।

লমদম অসিগী ওইনা কালেন থা অসি লাই হরাওবা মতমনি, মতম অসিদা লৈকায়-লৈকায়গী লাই হরাওবগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোক্লে। তম্পাক্কী লমদদি মতম অসিদা লাই হরাওদবা লৈকায় অমত্তবু লৈরম্লোই। লাই হরাওবা হায়বসি অয়ূক অঙনবদা য়াকাইরোলনা হৌরগা অহিং অথেংবা ফাওবা লাইনীং-লাইশোন, লাইথৌ লমদম অসিগী চৎনবী অমদি খুন্নাইসিগী ওইবা জগোয়-ঈশৈগা লোয়ননা পাঙথোকপা থৌরম্নি। লমদম অসিদা লৈকায় খুদিংগী উমং লাইগী খুভম লৈ। থাংজ, নোংমাইজিং খুদিংগী থোঙ হাংদুনা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা মাইবীনা লাইবাউ চেনবা উমংলাইগী শঙলেন কয়াসু লৈ। থাংজ-নোংমাইজিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদ্রবসু চহী-চহীগী ওইনা হরাও মথোই কাবা মতমদদি লাইথোঙ হাংদুনা হৈরুক কাদুনা ঈরাৎ-থৌনিগী থৌরম পাঙথোকই। খুলগী নৎত্রগা লৈকায়-লৈকায়গী ওইনা লৈরিবা লাইশঙশিং অসিগী মথক্তা য়ূম-য়ূমদা ইঙ্খোলগী মতোন্দা নৎত্রগা শুমাংদা শঙলেন মচা-মচা শাদুনা ইবুধৌ, ইবেনধৌগী খুভম য়াদুনা নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক অমসুং নুমিদাংৱাইরমদা ধুপ থাওমৈ কৎতুনা ঈরাৎচবগী চৎনবী অমসু তম্পাক্কী লমদা চৎনরক্লি। ইম্ফাল মনুংদা লৈরিবা উগী ফর্নিচর য়োনবা দুকানশিংদা উনা শারগা তিননা মথক কুপ্পা মীতৈ য়ূম মানবা লাইশঙ মচা-মচা কয়া শেম শাদুনা য়োল্লিবা অসি য়েংলুরগদি য়ূম য়ূমদা লাই লাৎতুনা ঈরাৎ-পুজা তৌবগী চাং হেনগৎলক্লি হায়না লৌবা য়ারে। লমদম অসিদা লৈরিবা মন্দিরশিংগী মথক্তা তম্পাক্কী লমদা খুন্দারিবা হিন্দু লাইনীং চৎপা মীওইশিংনা য়ূম-য়ূমগী শুমাঙদা তুলসি থাদুনা মহাদেবগী খুভম থমদুনা অয়ূক অমসুং নুমিদাংৱাইরমদা খুরুম্বগা লোয়ননা য়ূম-য়ূমদা দেবী-দেবতা কয়াগী মুর্ত্তি নৎত্রগা ফোটো থমদুনা ঈরাৎনরি। মতম অমদা লৈঙাক্লম্বা অমদি হৌজিক হৌজিক লৈঙাক্লিবশিংগা লোয়ননা মকোক থোংবা ওফিসরশিং য়াওনা মীওই কয়ামুকসু ঙসিদি লাই নীংবগী চাং হেনগৎলক্লি। শগোলশেল নুমিত্তা শা-ঙা চাদবা, মপোক নুমিৎতা ব্রত তৌদুনা লাই নীংবা, নোংঙানবগা লাইবক্তা চন্দন নৎত্রগা সিন্দুর নম্বা মীওই কয়া অমসু লৈরে।

লাই নীংবদি অফবগী খুদমনি, মীওইবগী পূক্নিং ৱাখলবু শান্তি পীরিবা, লম্ফাংনবা তাইবঙসিদা লম্মাংনরবা মীওইববু অচুম্বা লম্বী তাকপীরিবা শক্লোন কয়া পুরিবা মঙোন্দা চঙজগদবনি। শকওং শক্তম খেন্নরবসু তোঙান তোঙানবা মিংলেন লৌরবসু মালেমসিদা শাইওল্লকখিবা দেবী-দেবতা নৎত্রগা লাইরেম্বী-লাইরেম্বশিংদুনা শান্তিগী পাউজেলসি পুরকখিবনি। ঐখোয় মশেল য়েংথীনবসু ধর্ম্মশিংনা তম্বীদে। তোঙান তোঙানবা মফমদগী চেন্থরকখিবা মশক মমিং মান্নদবা তুরেলশিংগী ঈতিনফম সমুদ্রদা ওইবগুম ধর্ম্ম খুদিংমক্কী পন্থুংফমসু অমত্তনি। অরানবা তৌগনু, অচুম্বনা মমৈথংদা জয় ওই হায়বসি ধর্ম্ম খুদিংমক্কী পাউতাক্লি, মীয়াম্নসু য়ানরবা ৱাফম্নি। অদুবু ধর্ম্মদা থাজবা থল্লিবা মীওই কয়ানা অচুম্বা তৌরিবগে? কনা অমত্তনা উদ্রবসু অচুম্বা তৌ হায়বা মতম পূম্নমক্তা চুমদুনতা লৈরবা ৱাফম অসি মীওই কয়ানা ঙাক্লা চৎনরিবগে? মশীং য়াম্লবা লমদম অসিদা চৎনরিবা লাইনীং-লাইশোন খুদিংমক্কী ওইবা থৌরম কয়া ঙসিসু লমদমসিদা ধুম-ধামদা পাঙথোক্লরি। ধর্ম্মগা মরী লৈনবা থবক থৌরম অমত্তা লেম্না থাদোক্তে। য়াওশঙ, কাং, কৃষ্ণ জন্ম, বিশ্বকর্ম্ম পুজাদগী হৌরগা হিন্দু লাইনীংগা মরী লৈনবা থৌরম খুদিংমক অমত্তা থাদোক্তনা পাঙথোক্লরি। খৃষ্টমাস, গুদ ফ্রাইদেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকপগা লোয়ননা নোংমাইজিং খুদিংগী বাইবল পায়দুনা চর্চ কারল্লোইদবা খৃষ্টিয়ান অমত্তা লমদম অসিদা লৈরল্লোই। মীতৈ লাইনীংগীসু অদু মঙাই লাই হরাওবা, ইমোইনু, পান্থোইবী ঈরাৎ-থৌনিদগী হৌরগা নাৎকী ওইবা লাইনীং-লাইশোনগী থৌরম কয়া লেপ্তুনা পাঙথোক্লরি। মুস্লিম ইচিন ইনাওশিংসু ইরাই খুদিংগী মসজিদতা পূন্না নমাজ শোনবগা লোয়ননা ইস্লাম ধর্ম্মগা মরী লৈনবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লরি।

পূম্নমক তৌফম থোকপনি, অফবগী খুদমনি, লাই নীংববু কনানা ফত্তে হায়দোইনো? ধর্ম্ম খুদিংমক অচুম্বদা য়ূম্ফম ওইবনি, শান্তিগীদমকনি। অরানবা তৌগনু, ফত্তবা ঙাঙগনু, তোল্ল-তারবশিংবু নুংশিবীয়ু, মতেং পাংবীয়ু হায়বা বিশ্বপ্রেমদা মরু ওইবা মিৎয়েং থম্বা মহাপুরুশশিংনা হৌদোকপীরম্বা ধর্ম্মগী অচুম্বা লিক্লমদুদা ঙসি ঐখোয় চুম্না চৎলিবরা? ধর্ম্মগা মরী লৈনবা থৌরমশিং পান্দম ফংনবা কাঙলোন চুম্না পাঙথোক্লিবরা? লাই নীংবগী চাংদি ঙসিনবু হেনগৎলক্লি হায়বা য়াই। মতম অমদা লৈঙাক্কী অচৌবা ফম পায়রম্বা, অচুম-অরান য়েংদনা তৌনীং-তৌনীংবা কয়া মনীং তম্না তৌরম্বা মীওই কয়া অহল ওইশিল্লক্লবা মতমদা মন্দিরদা, মসজিদতা অমদি শেম্বীবা মপুগী মশাইগোন্দা চৎতুনা মমিৎতগী মপি চদুম-চদুম তাবমখৈ লাই খুরুম্বসু থেংনরে। লমদম অসিদা লৈ য়োনবা, লৈবগী চাং হেনগৎলক্লিবা, মন্দির-মসজিদ, চর্চ অমদি উমংলাইগী খুভম মশীং হেনগৎলক্লিবা অসি য়েংলুরগদি লমদম অসি শান্তিদি লৈফম থোকপনি। অদুবু ঙসি লমদম অসিদা উরিবা মওং অসি য়েংলুরগদি মরক্তা অহোবা খরা লৈরবরা হায়বা ৱাহং অমা লৈরে। মন্দিরদা ভজন কীর্ত্তন শকপা, মসজিদতা নমাজ তৌবা, চর্চতা প্রেয়র তৌবখক্তনা মৈগী চীংগুল্লবা মালেম অসি ঈংথহনবা ঙল্লগদ্রা? নোংমাইজিং খুদিংগী টাই পুল্লগা মখূৎতা বাইবল পায়দুনা চর্চতা প্রেয়র তৌরগা মী হাৎপা, মীগী ময়ূম মৈ থাদোকপা, পোৎ চৈ হুরানবা, নুপী অঙাং টোর্চর তৌবা, মীবু মঙক কক্তুনা হাৎলিবা কুকিশিংবু প্রভু যিশুনা ঙাকপীগদ্রা? লাই নীংবগী ৱাহন্থোক লৈরিবরা? ধর্ম্মনা তম্বীবা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন মুন্না খঙবগা লোয়ননা মনুং মপান নাইদনা ইনফম থোকপা লীক্লমদুদা চৎলবদি মালেমগা স্বর্গগা খেন্নবা লৈরোই। অফবা মী স্বর্গ কাদে মখোয়না লৈবা মফমদু স্বর্গ ওই হায়নরিবনি। লমদম অসিদা লাই নীংলিবা অসিগী কান্নবা লৈরিবরা? লাই নীংবা মীগী মশীং য়াম্লা লৈরবদি লমদম অদু শান্তি লৈফম থোক্তবরা হংনীংলকপনিদা। ●

# মালেমদা মায় পাকখ্রবা মরা তপ্পা হঞ্জিনবগী মওং খরনা মণিপুরদা থোক্লিবা খূৎশেমগী ঈরাং অসিসু লোইশিনবা য়াগদবা মালহল্লি-২

- পোৎশংবম হকিম খাবা -

*(হান্নগী মখা চথুজরকপা...)*

এগ্রীমেন্ট অসি ''য়াম্নদি খাবা অদুবু হকচাংদদি কান্নবা হীদাক অমগুম্বনি'' হায়না বোশনিয়া অমসুং হর্জেগোভিনা প্রসিদেন্সিগী চ্যেরমেন অলিজা ইজেটবেগোভিকনা হায়রি। ঙসিদি বোশনিয়া অসি মসিবু শারিবা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক মশা মশাগী ফীরাল, লৈবাক্কী ঈশৈ অমসুং তোঙানবা পুৱারী পুথোক্লবগা লোয়ননা মপাঙ্গল শোনবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমনা লৈঙাক্লি হায়না বি বি সীনা রিপোর্ট তৌরি। সর্বিয়াগী লিদর স্লোবোদান মাইলোশেবীক অসি বোশনিয়াদা মীয়াম হাৎপা অমসুং কোশোভোদা চথুবা ৱার ক্রাইমশিংগীদমক্তা কুমজা ১৯৯৯দা য়ু এনগী স্পেশল ট্রাইব্যুনেল অমনা ৱায়েল চথুখি, অদুবু মহাক ৱায়েল অদু লোইদ্রিঙৈদা শিখি।

**গোটেমালা :** *কুমজা ১৯৯৬কী দিসেম্বর ২৯দা গোটেমালা গভর্ণমেন্ট অমসুং লেফটিষ্ট লালহৌবশিং অনীনা মরা তপ্পগী য়ান-চে অমদা খূৎয়েক পীমিন্নখিবগা লোয়ননা সেন্ট্রেল আমেরিকাগী সিভিল ৱারশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শাংবা অমসুং খ্বাইদগী হেন্না তমথীবা, চহী ৩৬কী লান অমা লোইশিনখি।*

কুমজা ১৯৫৪দা য়ু এসনা তেংবাঙবা মিলিটরিগী কূ অমা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা, লেফটিষ্ট গরিল্লাশিংনা কুমজা ১৯৬০দা অদুগুম্বা মিলিটরি গভর্ণমেন্ট অদুগী মায়োক্তা লালহৌ অমা হৌখি। গোটেমালাগী লান্মী অমসুং পেরামিলিটরি গ্রুপশিংনা তমথীরবা কাউন্টর-ইন্সর্জেন্সিগী কেম্পেয়্যন অমা চথুদুনা লালহৌ অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা লৈবাক অসিগী লায়রবা অমদি য়েলহৌমী মীয়াম্না অচৌবা চৈফূ অমা মায়োক্লখি। কুমজা ১৯৯৯দা য়ু এননা পুথোকপা রিপোর্ট অমনা, ষ্টেটকী মায়কৈদগী গোটেমালাগী য়েলহৌমীশিংদা চথুখিবা এটেকশিং অদু মীয়াম হাৎপগা চপ মান্নে হায়না ফোঙদোকখি অমসুং য়ু এসনা মিলিটরিদা মতেং পীবা হায়বসি মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবদা তেংবাঙবনি হায়না মরাল শীখি। সিভিল ৱারগী মনুং অদুদা পূন্না গোটেমালাগী মীওই ২০০,০০০ হাৎখি নৎত্রগা 'মফম খঙদনা মাঙখি'।

মরা তপ্পা পুরক্লবগীদমক্তা ৱারী শানবা অদু কুমজা ১৯৯০গী অঙনবা মতমদগী হৌখি অমসুং য়েংথীনবা লেপ্পা হায়না য়ানবা পুরক্তুনা লান অদু কুমজা ১৯৯৬তা লোইশিনখিবগা লোয়ননা গরিল্লাগী লিদর রোলেন্দো মোরান অমসুং গোটেমালান প্রসিদেন্ট অলভারো অর্জু অনীনা য়ুনেস্কো পীস প্রাইজ ফংমিন্নখি। মরা তপ্পা পুরক্লবা থৌশিল অদুদা, সিভিল ৱার মনুংদা তৌখিবা ক্রাইম কয়াগী মরাল কোকপীবা হায়বা ৱাথোক ওইরবা ৱাফম অমা য়াওখি। অদুবু হৌখিবা চহী খরা অসিদা, মীয়াম হাৎপা অমসুং মীওইবগী মায়োক্তা চথুবা ক্রাইমশিংগীদমক্তা হান্নগী মিলিটরি দিক্টেটর ইফ্রেইন রাইওস মোনট্রকি মথক্তা লৌখৎপা কেস অমা য়াওনা, গোটেমালাদা য়াম্না শাথীবা অরানবা থৌওং খরগী ৱায়েল চথুবা হৌখি।

মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথীনীংঙাই ওইবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা গোটেমালাবু তাঙ্গৈই তানা চাকথেকহল্লিবা অসি লৈবাক অসিদা চহী কয়া লীশাং শীৎনা থোক্লিবা ইমু-নাইমু তানবা অমসুং নীংথিনা থৌরাং তৌরবা ক্রাইমশিং অসিননি হায়না হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্টশিংনা মরাল শীরি। গোটেমালানা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ক্রিমিনেল নেটৱার্কশিংবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা তেংবাঙনবগীদমক্তা য়ু এসনা কুমজা ২০০৭তা ইন্টরনেশনল কম্মিশন অমা লীংখৎখি।

**টাজিকিষ্টান :** *কুমজা ১৯৯৭কী জুন ২৭তা টাজিকিষ্টানগী প্রসিদেন্ট অমসুং য়ুনাইটেদ টাজিক ওপোজিশনগী লিদর অনীনা মোস্কোদা মরা তপ্পগী য়ান-ৱারোল অমদা খূৎয়েক পীমিন্নদুনা চহী মঙা চূপ্পা চথুরকপা সিভিল ৱার লোইশিনখি।*

মুক্লবা অদু কুমজা ১৯৯১দা টাজিকিষ্টাননা সোভিয়েট য়ুনিয়ন্দগী নীংতম্বা ফংখিবা মতুং ইকুই কুইদনা হৌরকখি। য়েলহৌমী অমসুং রিজনেল গ্রুপশিং অনী অসিনা পৱার পায়মিন্নরকপা মতমদা থোং মান্নরক্তবদগী, মোস্কোনা শৌগৎপা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা খূৎলায় পায়বা ঈহৌ অমা হৌরকখি। সিভিল ৱার অদুদা মীওই ৫০,০০০ হেন্না হাৎখি অমসুং সেন্ট্রেল এসিয়াদা খ্বাইদগী হেন্না লায়রবা লৈবাক অমা ওইরিবা লমদম অসিদা মীওইবনা হিংবগী লুরবা ক্রাইসিস অমা থোক্লকখি। য়ু এননা মরা তপ্পা পুরক্লবা কয়ারক হন্না হোৎনরবা মতুংদা খূৎ থোক্লরিবা নাকল অনীমক্লা য়েংথিনবা লেপ্পুনা পোলিটিকেল রিফোর্মশিং পাঙথোকপা হায়না কুমজা ১৯৯৭তা য়ানবা অমা পুরকখি।

মরা তপ্পগী য়ান-ৱা অদুনা লান অদু লোইশিনহনখিবা তারবসু, লৈবাক অসি লায়রবা অমসুং শেঞ্জা-থুমজাগী ঈপাক অমদা ঈরাক্লদুনা লৈরি অমদি মোস্কোদগী পীরকপা সিক্যুরিটি অমসুং শেন্থুংগী মপান তাংনা হিংলি।

**নোর্দন আয়রলেন্দ :** *নোর্দন আয়রলেন্দগী উনবা য়াদবা য়েক্লবা অনীনা কুমজা ১৯৯৮গী এপ্রিল ১০দা 'গুদ ফ্রাইদে এগ্রীমেন্ট' হায়না খঙনবা মরা তপ্পা পুরক্লবা থৌশিন অমদা খূৎয়েক পীমিন্নখিবগা লোয়ননা চহী কয়া লীশাং শীৎনা চথুরকখিবা কাঙলূপ নাইবা অকনবা ঈরাং অমা লোইশিনহনখি।*

য়ানবা অদুগী মখাদা, রিপব্লিকানশিং (নোর্দন আয়রলেন্দবু রিপব্লিক ওফ আয়রলেন্দগী শরুক ওইহনবা পাম্বা) অমসুং য়ুনিয়নিষ্টশিং (গ্রেট বৃটেনগা পূন্না লৈমিন্নবা পাম্বা) অনীনা লমদম অসিগী অরোইবা মওং-মতৌ অমদা য়ানবা পুরকখি। য়ানবা অদুনা নোর্দন আয়রলেন্দগী তোঙানবা পার্লিয়ামেন্ট নৎত্রগা এসেমব্লি অমা অমসুং রিপব্লিক ওফ আয়রলেন্দগা মরী লৈননবগীদমক্তা মিনিষ্টরশিংগী ওইবা কাউন্সিল অমা হায়রিবশিং অসি শেমখি। মদুদা পুলিসকী রিফোর্ম, পেরামিলিটরিগী মীফাশিং থাদোকপা অমসুং পেরামিলিটরিশিংনা খূৎলায় থাদোকপা হায়রিবা ৱাফমশিং অসিসু য়াওরি। য়ান-ৱারোল অদু নোর্দন আয়রলেন্দ অমসুং রিপব্লিক ওফ আয়রলেন্দদা পাঙথোকপা রিফরেন্দমশিংনা অয়াবা পীখি।

অদুগুম্বা মরা তপ্পগী য়ানবা অদু পুরক্লবা হোৎনবদা অপনবা কয়ামরুম মায়োক্লখি। য়ানরিবা ৱাফমশিং অদুগী মায়োক্তা লৈবা পেরামিলিটরিগী তোঙানবা কাঙবুশিংনা চহী অদুগী ওগষ্টতা মীওই ২৯ হাৎখিবা, নোর্দন আয়রলেন্দগী ওমাঘতা রিয়েল আই আর এনা পাঙথোকখিবা বোম পোকখায়হনবগী থৌদোক অদু য়াওনা ইমু-নাইমু তাবগী থবক কয়া মখা তানা চথুখি। ঙসি ফাওবদা কাউবা ঙম্নদনা লৈরিবা, নোর্দন আয়রলেন্দদা পাঙথোকখিবা এন্যুএল য়ুনিয়নিষ্ট খোঙচৎশিং অদু য়াওনা, য়ানবা অদুগী মনুং চনবা কাঙবুশিংগী মরক্তা পোলিটিকেল ওইনা য়েৎনবগী থৌদোকশিং থোকখি। হান্না য়েক্লবা মশেল ওইরম্বা দেমোক্রেটিক য়ুনিয়নিষ্ট পার্টি অমসুং শিন ফৈন অনীনা পৱার পায়মিন্নবা গভর্ণমেন্ট অমা শেমখিবা মতম কুমজা ২০০৭ ফাওবদি নোর্দন আয়রলেন্দ এসেমব্লি অসি মথৌ নীংথিনা তৌখিদে। মীচেন ওইখ্রবা রিপব্লিকান পেরামিলিটরিশিংদা পীখিবা অরোনবা থাজবশিং অদু য়াওনা, করি ৱাফমদা য়ানবা পুরকখিবনো হায়বসিগী মতাংদা ঙসিসু লেপ্পা লৈতনা ৱাথোক কয়া থোক্লি।

অদুম ওইনমক, হায়রিবা য়ান-ৱারোলশিং অসিনা চহীচা কয়াগী পোলিটিকেল ওইবা চরাংনবশিং অদু শীংথানীংঙাই ওইনা ঈংথহন্দুনা য়েংথীনবগী মৈরিনা চাকথেল্লবা নোর্দন আয়রলেন্দগী মীয়ামগী পূন্সিদা অওনবা অমা পুরক্লি। ''চহী ১৫গী মতুংদা, নোর্দন আয়রলেন্দগী গুদ ফ্রাইদে পীস এগ্রীমেন্ট অসি ঙসিসু নীক্লকপা য়াওই, খংনীক নীক্লকপনি, অদুবু মসি মপোপ কায়বদি তৌদে। মসি ২০শুবা চহীচাগী অনীশুবা তঙ্খাইগী ৱারী অচৌবশিং অদুগী মনুংদা অমনি, অদুগা মসিগী কায়গন্দবা মওং অসি য়েংলুরবদি এগ্রীমেন্ট অসি ২১শুবা চহীচা অসিগীসু অঙকপশিংগী মনুংদা অমা ওইদুনা লৈরগনি'' হায়না কুমজা ২০১৩দা এগ্রীমেন্ট অসিগী কুমওন থৌরম পাঙথোকপদা আইরিশ নোভেলিষ্ট কোলম মেককেননা ইখি।

মথক্তা পল্লিবা লান শোক্লরিবা কাঙবুশিংগী মরক্তা ৱারী শানদুনা মরা তপ্পা হঞ্জিনখিবগী ৱারীশিং অসি য়েংলুরবদি মণিপুরদা থোক্লিবা মীতৈ অমসুং কুকিগী ঈরাং অসি অদুক য়াম্না শাথীবা মওং অমা ওইনা উবা ঙমদে। ঈরাং অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লোইহন্নীংবা মতমদা লোইশিনবা য়াগনি, মরমদি মীতৈ অমসুং কুকি ফূরুপ অনীমক অসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী কন্ট্রোল মখাদা লৈবা ঙাক্তনি। চহী অনী হেন্না মীতৈ-কুকি অনী মুক্লদুনা লৈবা অসিনা মীওই ফূরুপ অনীমক অসিগী মরাল লৈজদ্রবা মীচম-মীয়ামদা পীরিবা অৱাবগী চৈথেং ময়াম অসি লান অসিবু তূমিন্না য়েংদুনা লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীওইবা খুন্নাইগী মথক্তা চথুবা ক্রাইম এগেইন্স হ্যুমেনিটিনি হায়না লৌনীংঙাই ওই।

হীরম অসিদা মণিপুরগী মনুং অমসুং মপান্দা লৈরিবা মেদিয়েটর অখঙ-অহৈ অমসুং সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশনশিংনা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা মালেমগী থাক্তা লৈরিবা য়ু এন ও অমদি ইন্টরনেশনল কোর্টনচিংবগী মতেং লৌনবা হোৎনবা চুমগনি। দেল্লীনা মতম মতমগী পোলিটিক্সকা মরী লৈননা মতৌ মান্নবা শান্নবা লীলাদা পঙথদুনা লৈবা চুম্লোই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।